# উংখৎনবা মরক্তা য়ুএস অমসুং চাইনাগী লল্লোন ইতিক্কী মরী ফগৎলক্লি
## চাইনা য়ুএসকী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদিং পার্টনর ওইখ্রে

ৱাশিংতন/বৈজিং, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
চহী কয়া লেপ্তুনা উংখৎনবা হেনগৎলক্তুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরী ফগৎলকপগী মমি উদ্রবসু লৈবাক অনীগী লল্লোন ইতিক্কী মরীদি হান্নদগী হেন্না ফগৎলক্লি।



লৈবাক অনীগী ইম্পোর্টশিং অমসুং এক্সপোর্টশিংগী ভেল্যু হৌখিবা চহীদা শীংথানিংঙাই ওইনা ৱাংখৎলকখি। কুমজা ২০২২ দা অপুনবা ট্রেদকী চাদা ১৩ ওইদুনা চাইনানা য়ুএসকী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদিং পার্টনর ওইখি।

য়ুএস কম্মর্স দিপার্টমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিলিজ তৌখিবা ফিগর্সকী মতুং ইন্না অপুনবা ট্রেদকী চাদা ১৪.৯ গা লোয়ননা কানাদানা য়ুএসকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদিং পার্টনরনি অমসুং অপুনবা ট্রেদকী চাদা ১৪.৭ য়ৌরিবা মেক্সিকোনা য়ুএসকী খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদিং পার্টনরনি।

ৱাশিংতন, দিসিদা লৈবা পিটরসন ইন্সটিট্যুট ফোর ইন্টরনেসনেল ইকনোমিক্সকী ট্রেদ এক্সপার্ট অমসুং সেনিয়র ফেল্লো গেরি হববোরগী মতুং ইন্না লৈবাক অনীগী লল্লোন ইতিক্কী ভোল্যুম হেনগৎলক্লিবা অসিনা ইকনোমিক ফোর্সশিংনা পোলিটিকেল টোল্কতগী মপাঙ্গল হেল্লি হায়বসি উৎলি।

য়ুএস ইকনোমিক য়াম্না লিংনা লৈরি অমসুং য়ুএসকী ফার্মশিংনা মমলদি য়াম্না নেল্লগা ক্বালিটিদি য়াম্না ৱাংবা প্রদক্টশিং ওফর তৌরিবা থাজনিংঙাই ওইবা সপ্লায়রশিংদগী ইন্টরমেদিয়েট অমসুং ফাইনেল পোখোকশিং লৌবা মথৌ তাই। কন্দিসন অসিদা চাইনানা খ্বাইদগী চুন্নবা লৈবাক ওইরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। য়ুএসনা হৌখিবা চহীদা চাইনাদা এক্সপোর্ট তৌখিবা পোখোকশিংগী চাং মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা দোল্লর বিলিয়ন ২.৪ হেনগৎতুনা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা রেকোর্দ ওইবা চাং ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ১৫৩.৮ য়ৌখি অমসুং ইম্পোর্টশিংনা দোল্লর বিলিয়ন ৩১.৮ হেনগৎতুনা দোল্লর বিলিয়ন ৫৩৬.৮ য়ৌখি হায়বসি য়ুএস দেটানা উৎখি। য়ুএস কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি অনীগী মরক্তা মমাঙগী চহীদা ইম্পোর্ট অমসুং এক্সপোর্টকী ভোল্যুম দোল্লর বিলিয়ন ৬৯০.৬ য়ৌদুনা কুমজা ২০১৮ দা লৈখিবা রেকোর্দতগী ফাওবা হেনখি।

য়ুএস দেটা অদুগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১২ গা চাংদম্নবদা চাইনাদা য়ুএসনা এক্সপোর্ট তৌখিবা পোখোকশিংগী চাং চাদা ৩৯ হেনগৎখি অমসুং চাইনাদগী পোখোকশিং ইম্পোর্ট তৌখিবগী চাং চাদা ২৬.৬ হেনগৎখি। চাইনাগী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ কষ্টমসকী মতুং ইন্না সাইনো-য়ুএস ট্রেদ মমাঙগী চহীদগী চাদা ০.৬ হেনগৎতুনা কুমজা ২০২২ দা দোল্লর বিলিয়ন ৭৫৯.৪৩ য়ৌখি।

এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মথংদা য়ুএসনা চাইনাগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ট্রেদিং পার্টনর ওইখিবনি। হৌখিবা চহীদা মমাঙগী চহীগা চাংদম্নবদা য়ুএসতা চাইনানা পোখোকশিং এক্সপোর্ট তৌবগী চাং চাদা ১.২ হেনগৎতুনা দোল্লর বিলিয়ন ৫৮১.৭৮ য়ৌখি অমসুং য়ুএসতগী পোখোকশিং ইম্পোর্ট তৌবগী চাদা ১.১ হন্থরক্তুনা দোল্লর বিলিয়ন ১৭৭.৬৪ দা লৈখি।

বৈজিংদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইন্টরনেসনেল বিজিনেস এন্দ ইকনোমিক্সতা ইকনোমিক্সকী এসোসিএট প্রোফেসর অমা ওইরিবা য়াং ৱাইওংনা হায়, লৈবাক অনীগী ষ্টেটিষ্টিক্সতা খেন্নবা কয়া লৈদুনসু মালেমগী মরু ওইবা ইকনোমি অনীগী মরক্তা লল্লোন ইতিক্কী মরী ফগৎলক্লিবসিনা নাকল অনীমক্তা কান্নহল্লি হায়বসি উৎলি।

লল্লোন ইতিক্কী মরী ফগৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনীমক্কী মীয়ামদা থবক হেন্না ফঙহল্লি অমসুং য়ুএসতা ইনফ্লেসন ৱাংলকপগী ফিভম লাকশিনবদসু মতেং পাঙই। করিগুম্বা জিও পোলিটিকেলগী উংখৎনবশিং কা হেন্না ফৎলক্রবদি বাইলেটেরেল লল্লোন ইতিক্কী মরীদসু শোল্লকপা য়াই হায়খি।

# হান্নগী জজ অমসুং এন্টি-করপসন কম্মিস্নর সহাবুদ্দিন্না বংলাদেশকী ২২ শুবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি

ধাকা, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
বংলাদেশকী পার্লিয়ামেন্টতা এবসোলুট মেজোরিটি ওইরিবা রুল্লিং অৱামি লীগনা লৈবাক অসিগী ২২ শুবা প্রসিদেন্ট ওইনবা হান্নগী জজ অমসুং এন্টি-করপসন কম্মিস্নর এমদি সহাবুদ্দিন চুপ্পবু নোমিনেট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক লৈবাক অসিগী তোপ ফম অসি পায়রগনি হায়রি।



নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা জেনরেল সেক্রেটরি ওবাইদুল ক্বাদরনা লুচিংবা অৱামি লীগকী দেলিগেসন অমনা ইলেক্সন কম্মিসনদা চুপ্পুগী নোমিনেসন পেপরশিং সম্মিট তৌখি।

বংলাদেশ অৱামি লীগকী চীফসু ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনানা পার্টিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৫ (১) (এ) গী মতুং ইন্না পার্টিগী পল্লিসিটি এন্দ পল্লিকেসন সব-কম্মিটিগী চিয়রমেনগী ফমগীদমক নোমিনেট তৌখি। পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৩৫০ গী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা অৱামি লীগকী সিট মশিং ৩০২ নি অমসুং ম্যেন ওপোজিসন জাতিয়া পার্টিগীনা সিট ২৬ নি।

ৱার্কর্স পার্টিগী সিট মরিনি। জাতিয়া সমাজ টান্ত্রিক দাল, বিকালপা ধারা বংলাদেশ অমসুং বোনো ফোরমগীনা সিট ২-২ নি। পার্লিয়ামেন্টতা বংলাদেশ টারিকট ফেদরেসন অমসুং জাতিয়া পার্টি (মঞ্জু) গীনা সিট অমমম খক্তমক পায়রি। লেমহৌরিবা সিট অহুম অদুনা ইন্দিপেন্দেন্টশিংগীনি। নোমিনেসন অদু ফাইল তৌরবা মতুংদা চুপ্পুনা শেন্মীবা মপুগী থৌজ ালদগী খুদিংমক অসি লাক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্টগী ফমগী নোমিনেসন নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ক্লোজ তৌগদবনি। মসিগী ইসিগী ওফিসলশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা চুপ্পু নত্তবা অতৈ নোমিনেসনশিং পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌরক্রবদি অমদি হয়েং ফোর্মশিং স্ক্রুটিনি তৌবদা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরশিং ভেলিদ ওইরম্লবদি ঐখোয়না মহাকপু প্রসিদেন্ট ইলেক্টনি হায়না লাউথোক্লগনি। ওবাইদুল ক্বাদরনা ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা দান মোন্দি দদা লৈবা হাসিনাগী ওফিসতা নোমিনেসন লেট্টর অদু সহাবুদ্দিনদা শিন্নখি। কুমজা ১৯৪৯ দা পাবনাদা পোকখিবা চুপ্পু অৱামি লীগকী ষ্টুদেন্ট ৱিং ছাত্র লীগকী পাটনা দিষ্ট্রিক্টকী মেম্বর অমা ওইখি। মহাক কুমজা ১৯৭১ দা স্বাদিন বংলা ছাত্র সঙ্গরম পরিষদকী কনভিনর ওইখি অমসুং লিভরেসন ৱার মুভমেন্টদা শরুক য়াখি।

# সিটিজনশিপ ফঙননবা রসিয়ন মীরোনবী নুপী লিশিং কয়া আর্জেন্টিনাদা পাইশিনখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
হৌখিবা থা খরা অসিদা মীরোনবী রসিয়ন নুপী ৫০০০ হেন্না আজেন্টিনাদা চঙলকখি হায়না মেদিয়া রিপের্ট খরনা হায়রি।



বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না খ্বাইদগী ইনৌ নৌনা আর্জেন্টিনাদা থুংখিবা রসিয়ন নুপীশিং অদু মীরোনবগী অরোইবা চয়োলশিংগী তাঙ্কক্তা লৈরবী ঙাক্তনি। মসি নেসনেল মাইগ্রেসন এজেন্সিগী দেটাদা য়ুম্ফম ওইবনি হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, আর্জেন্টিনাগী সিটিজনশিপ ফঙনবগীদমক্তা রসিয়ন নুপীশিং অদুনা মখোয়গী অঙাংশিং অদু আর্জেন্টিনাদা শোয়দনা পোকহনবা পাল্লিবনি হায়না থাজে।

লোকেল মেদিয়া রিপোর্টকী মতুং ইন্না হন্দক্তা রসিয়ন মীরোনবী নুপীশিং আর্জেন্টিনাদা লাকপগী চাং হেনগৎলক্লিবদু য়ুক্রেনদা থোক্লিবা লান অদুগা মরী লৈনবা য়াই। শগোলশেল নুমিত্তা ফ্লাইট অমদা আর্জেন্টিনাগী কেপিটেলদা থুংখিবা নুপী ৩৩ গী মনুংদা অহুম দোক্যুমেন্টসনগী প্রোব্লেমশিং লৈবদগী দিটেন তৌখি। মদুগী মমাঙগী নুমিত্তসু মান্নবা প্রোব্লেমশিংনা মরম ওইদুনা নুপী অহুম দিটেন তৌখি হায়না মাইগ্রেসন এজেন্সিগী হেদ ফ্লোরেন্সিয়া কারিকনানোনা লান নেসিওনদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না রসিয়ন নুপীশিং অদুনা অহানবদা মখোয় টুরিষ্টশিং ওইনা আর্জেন্টিনাদা কোইরক্লিবনি হায়না ক্লেম তৌখি। কেসশিং অসিদা মখোয় টুরিজম এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈননা আর্জেন্টিনাদা লাকখিবা নত্তে হায়বসি খঙবা ঙমখি। মমৈথংদা মশানসু য়াজখি।

মখা তানা মাইগ্রেসন এজেন্সিগী হেদ অসিনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন নুপীশিং অদুনা মখোয়গী আজেন্টিনিয়ন সিটিজনশিপ ফঙহনবা পাল্লিবদু মদুনা রসিয়ন পাসপোর্ট অমদগী হেন্না ফ্রিদম পীবদগীনি। লৈরিবা প্রোব্লেমদি মখোয় আজেন্টিনাদা লাক্লগা মখোয়গী অঙাংশিংবু আর্জেন্টিনিয়নশিং ওইরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসি থাদোক্লগা অমুক চৎখিবা অসিনি। ঐখোয়গী পাসপোর্ট মালেমগী মফম খুদিংমক্কী ওইনা য়াম্না সেক্যুর ওই হায়না লৌনৈ। মসিনা পাসপোর্ট পায়রিবা মীওইশিং অদু ভিজা ফ্রি ওইনা মালেমগী লৈবাক ১৭১ দা চঙবা য়াহল্লি। আর্জেন্টাইন অঙাং অমা লৈবা অসিনসু পেরেন্টশিংগী সিটিজনশিপ প্রোসেস থুজিলহল্লি।

# য়ুহা হাবদা শিখিবা মী মশিং ২৮,০০০ হেল্লে, শরুক অনী হেনগৎলকপা য়ারি

অঙ্করা, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
টর্কি অমসুং সিরিয়াদা য়ুহা কন্না হাবদগী শিবা মী মশিং অসি হৌজিক ২৮,০০০ হেল্লিবা অসিদগী শরুক অনী নত্ত্রগা অনীগী মথক্তা হেনগৎলকপা য়াই হায়না য়ুএন রিলিফ চীফ মার্টিন গ্রিফিটনা ফোঙদোকখ্রে।

মার্টিন গ্রিফিট থাংজ নুমিত্তা টর্কিগী খা থংবা সিটি কহরামনমরাসতা থুংখি। সিটি অসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা ইহান হান্না হাখিবা মেগ্নিট্যুট ৭.৮ য়ৌখিবা অহানবা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টরনি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি কা হেন্না ইংবা ফিভম মরক্তা থী হুম্বগী থবক চত্থবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপগা লোয়ননা শাথিরবা য়ুহাশিং অদুদা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা শিখিবা মী মশিং হৌজিক রেকোর্দ তৌরিবা ২৮,০০০ হেনবা অসিদগী শরুক অনী নত্ত্রগা অনীগী মথক ফাওবা হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

পাক শন্না লৈরিবা অকায় অতোইশিং খন্দোক্লগা হকচাংশিং থীবা চঙবা মরম্না ঐখোয়না চপ চাবা মশিং হায়বদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরি। তৌইগুম্বসুং অশিবশিংগী মশিং শোয়দনা শরুক অনী নত্ত্রগা অনীগী মথক ফাওবা হেনগৎলক্কনি হায়না ঐহাক্না থাজে। মহাক্না ৱাফম অসি স্কাই ন্যুজকী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্কী মতুং ইন্না অশিবশিংগী মশিং থীবা তশেংনা হৌবা লৈত্রি। ওফিসলশিং অমসুং মেদিকশিংগী মতুং ইন্না য়ুহাশিং অদুদা টর্কিদা মীওই ২৪,৬১৭ শিখি অমসুং সিরিয়াদনা ৩,৫৭৪ শিখি। কনফার্ম তৌরবা অপুনবা মশিং হৌজিক ২৮,১৯১ নি। নিংথম থাগী ইংলবা উন মরক্তা রেস্ক্যু ৱার্কর লিশিং কয়ানা বিল্ডিং অকায় অতোই ময়াম মরক্তা ভিক্তিমশিংগী হকচাংশিং নত্ত্রগা হিংহৌবা মীওইশিং থীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। খুদোংচাদ্রবা ৱেদরগী ফিভম্না য়ুহাগী চৈথেং নঙলবা মীওই মিলিয়ন কয়াগী অৱাবা হেনগৎহল্লে হায়রি।

য়ুএননা টর্কি অমসুং সিরিয়াদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৭০,০০০ খুদক্তা পীজ পীথক তৌদুনা মতেং পাঙবা মথৌ তাই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে হাযরি।

# সাইক্লোন গাব্রেল্লি নকশিল্লকপদগী ন্যু জিলেন্দদা অকনবা ৱেদর ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌখ্রে

ৱেলিংতন, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
ট্রোপিকেল সাইক্লোন গাব্রেল্লি ন্যু জিলেন্দগী অৱাং ইথং থংবা শরুক নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তগী নোর্থ আইলেন্দগী অয়াম্বা শরুক য়ৌশিল্লক্লগনি হায়না পাবদগী ওথোরিটিশিংনা অকনবা ৱেদরগী ৱার্নিং ২০ ইস্যু তৌখ্রে হায়রি।



ওক্লেনগী মেয়র ৱাইন ব্রোননসু মীয়ামদা খ্বাইদগী শাথিবা ৱেদরগী ফিভমগীদমক্তা শেম শাননবা হায়খ্রে।

ন্যু জিলেন্দগী নেসনেল মেটিওরোলোজিকেল সার্ভিস নেট সার্ভিসনা খ্বাইদগী শাথিবা ৱেদরগী ফিভম লাক্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা ওক্লেন অমসুং লমদম অদুগী মফম কয়া নোংমাইজিং নুমিত্তা রেদ এলার্টতা অপগ্রেট তৌখ্রে। খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা সিটি ওক্লেন য়াওনা নোর্থ আইলেন্দগী মফম কয়াদা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না গভর্ণমেন্টনা ৱার্নিং তৌখ্রে অমসুং রেসিদেন্টশিংদা মখোয়গী য়ুমশিং নোংলৈ নুংশিৎ অদুদগী ঙাকথোক্নবা শেনবেগশিং লাংননবা, চান থক্নবা পোৎলমশিং অমদি ঈশিং থমজিন্নবা অমদি শাফগদবা মফমশিংদা হোংননবা শেম শাননবা খঙহনখ্রে।

ওক্লেন অপুম্বদা হৌখিবা অহিংদা সেনবেগ ষ্টেসন কয়া শেমগৎনখি অমসুং লোকেলশিংদা য়াম্না শাথিবা ৱেদরগী ফিভমশিংগীদমক্তা মশা মশাগী সেনবেগশিং লাংননবা খঙহনখি।

ন্যু জিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর ক্রিষ্ট হিপকিন্সনা মীয়ামদা অকনবা ৱেদরগী ৱার্নিং অদুবু লূনা লৌনবা অমসুং য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা অমসুং কান্নদবা ট্রাবেলশিং কেন্সেল তৌননবা আপিল তৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা নেসনেল করিয়র এয়র এন জেটনা ওক্লেনদগী পাইগদবা অমদি সিটি অসিদা পাইরক্কদবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট পুম্নমক কেন্সেল তৌবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট কয়াসু কেন্সেল তৌখি। ওক্লেন অমসুং থংনবা রিজন ৱাইতাকো রেকোর্দ ওইবা মওংদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং থুমখিবা মতুং চয়োল অনীখক কান্নরগা ফিভম অসি লাক্লিবনি।

ন্যু জিলেন্দদা রেদ ৱার্নিংশিং খ্বাইদগী শাথিবা ৱেদর ইভেন্টশিংগা মরী লৈননা ইস্যু তৌই। অসুম্না রেদ ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌবসি কুমজা ২০২৩ চহীদা মসিনা অনীরক শুবনি।

# য়ুহাদা হিংহৌবশিংদা জমর্নিনা থা অহুমগী ইমর্জেন্সি ভিজাশিং পীরগনি

বর্লিন, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
জমর্নিনা লৈবাক অসিদা ফেমিলি লৈবা টর্কি অমসুং সিরিয়াগী য়ুহাগী ভিক্তিমশিংদা থা অহুমগী ভিজাশিং পীরগনি হায়না জমর্ন ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর নেন্সি ফেজরনা পাউচে বিল্ডদা ফোঙদোকখিবদা জমর্ন গভর্ণমেন্টনা য়ুহাগী ভিক্তিমশিংদা পীগদৌরিবা অসি ইমজেন্সি মতেংনি। ঐখোয়না জমর্নিদা ফেমিলিশিং লৈরিবা টর্কিস নত্ত্রগা সিরিয়নশিংদা ব্যুরোক্রেসিগী অয়েৎ অপন লৈহন্দনা মখোয়গী য়ুমশিংদা দিজাষ্টর এরিয়াদগী মরী মতাশিং পুরকহনবা পাম্মী। শাথিরবা য়ুহাশিংদা মীওই লিশিং ২৮ গী মথক্তা শিখ্রবনি।

ফেজরনা হায়খি, মদুদি ইলিজিবল ওইবশিংনা এপ্লাই তৌরকপগী মতুং ইন্না রেগুল্লর ভিজাশিং থুনা এপ্লাই তৌগনি অমসুং ভিজাশিংদু থা অহুম চৎনগনি। ফোরেন মিনিষ্ট্রিগা খুৎশম্নরগা লৌখৎলক্লিবা জোইন্ট ইনিসিএটিব অদুনা ভিক্তিমশিংবু জমর্নিদা চঙজফম ফঙহনবগা লোয়ননা মেদিকেল ট্রিটমেন্টসু ফঙহনগনি।

পনবা য়াবদি, টর্কিস ওরিজিন ওইবা মীওই মিলিয়ন ২.৯ রোম জমর্নিদা লৈ। মখোয়গী মনুংদা তঙ্খায় অমা হেন্না টর্কিস নেসনেলিটি পায়বশিং ওই। জমর্নিদা লৈবা সিরিয়ন কম্যুনিটিগী মশিংসু হান্নদগী জমর্ন চাঞ্চেল্লর এঞ্জেলা মর্কেলনা কুমজা ২০১৫-১৬ দা বোর্দর হাংদুনা রিফ্যুজিশিং চঙহনখিবদগী হৌজিক ৯২৪,০০০ য়ৌদুনা য়াম্মী হায়না লৌনৈ। কুমজা ২০১৪ দা জমর্নিদা লৈখিবা সিরিয়ন মশিং ১১৮,০০০ ওইখি।

# পাকিষ্টানদা চিক্কনগী মমল রেকোর্দ ওইনা ৱাঙলে

করাচি, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
করাচি অমসুং পাকিষ্টানগী অতৈ সিটিশিংদা চিক্কন অমসুং চিক্কন মিটকী মমলশিং পুৱারীগী রেকোর্দ ওইরগদবা মওংদা য়াম্না ৱাঙলে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

চিক্কনগী হৌজিক লৈরিবা মমল করাচিদা কেজিদা লুপা ৪৯০ নি অমসুং চিক্কন মিটকী মমলনা কেজিদা লুপা ৭২০ য়ৌরে হায়না সামা টিভিগী রিপোর্টনা হায়রি।

মমল হেনগৎলক্লিবা অদু চিক্কন ফীদ ফঙলক্তবনা মরম ওইদুনা পোলট্রি বিজিনেস কয়া থোঙ লোন্নখিবদগীনি হায়রি। পোলট্রি বিজিনেস মপুশিংনা করাচিদা চিক্কন মিট কেজিদা লুপা ৭২০ ফাওবা য়োন্দুনা চিক্কনগী মমলশিং কা হেন্না ৱাংলক্লিবসিগী মরমদি পোলট্রি ফীদ ফঙলক্তবা অসিনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

ৱাৱলপিন্দি, ইস্লামাবাদ অমসুং অতৈ সিটি খরদসু চিক্কনগী মমল মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা কা হেন্না ৱাংলে। সিটিশিং অসিদা পোলট্রি মিট কেজিদা লুপা ৭০০ তগী ৭০৫ ফাওবা য়োন্নরে হায়রি।

# চহী ৩০ গী মতুংদা টর্কি-আর্মেনিয়াগী বোর্দর গেট য়ুহাগী ভিক্তিমশিংগী তেঙবাংশিং পুশিনবা য়ানবা অমুক হাংখ্রে

অঙ্করা, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
টর্কি অমসুং আর্মেনিয়াগী বোর্দর গেট অমা চহী ৩০ গী মতুংদা অহানবা ওইনা অমুক হাংদোকখ্রে। মদু টর্কিগী খা থংবা শরুক্তা থোকখিবা শাথিরবা য়ুহাশিংগী ভিক্তিমশিংগীদমক্তা তেঙবাংগী পোৎলমশিং পুশিনবা য়ানবগীদমক্তা হাংলিবনি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা অনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।



রিপোর্ট অদুনা হায়রি, মদুদি তেঙবাংগী পোৎলমশিং পুবা ট্রক মঙা য়াওবা আর্মেনিয়ন দেলিগেসন অমা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স ইগদিরগী অলিকান বোর্দর গেট ফাওরগা টর্কিদা চঙশিল্লকখি। টর্কিগী আর্মেনিয়াগা চত্থনরিবা নোর্মেলাইজেসনগী ৱারী শান্নবগা মরী লৈনবা স্পিসল রিপ্রজেন্টেটিব সের্দার কিলিক্না থাগৎখিবা ত্বিট অমগী মতুং ইন্না চিঞ্জাক, হিদাক লাংথক অমসুং থক্নবা ঈশিং টন ১০০ পুরিবা আর্মেনিয়ন এইদ দেলিগেসন অদু অয়ুক্কী মতমদা গেট অদু ফাওরগা খা থংবা প্রোভিন্স অদিয়ামন তম্না চঙশিনখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আর্মেনিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নিকোল তাসিনয়ানা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িব ইর্দোগানগা ফোনদা ৱারী শানখিবদা টর্কিস মীয়াম্না অৱাবা নঙলিবা অদুগীদমক্তা নুংনাংবা উৎখি অমসুং অৱাবা নঙলবা মীয়াম্বু মহাক্কী লৈবাক্না মতেং পাঙগনি হায়না থাজবা পীখি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা আর্মেনিয়াগী ইন্টর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না লৈবাক অসিনা ছর্স অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা মতেং পাঙনবগীদমক্তা য়ুহাগী চৈথেং নঙলবা টর্কিদা রেস্ক্যুৱর ২৭ থাখ্রে। মমাঙদা ইকোন কোন্না অলিকান বোর্দর গেট শীজিন্নখিবা অসি কুমজা ১৯৮৮ দা আর্মেনিয়াদা য়ুহা কন্না হাখিবা মতমদনি। মতমদুদা টর্কিস রেদ ক্রেসেন্টগী কাঙবু অমা বোর্দর গেট অদুবু লান্দুনা দিজাষ্টর এরিয়াশিংদা রিলিফ মেটেরিএলশিং থাজিনখি।

টর্কিনা য়েৎনরিবা লম নাগোরনো-করাবাককা মরী লৈননা আর্মেনিয়াগা লান শোক্লরিবা অজর বৈজানবু শৌগৎপা উৎলদুনা কুমজা ১৯৯৩ দা আর্মেনিয়াগা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরীশিং থদৎপগা লোয়ননা আর্মেনিয়াগা লোন্নরিবা বোর্দর থিংজিনখিবনি। কুমজা ২০২২ দা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরী অমুক হন্না মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ৱারী শানবা হৌখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মেগ্নিট্যুট ৭.৭ অমসুং ৭.৬ কী চাংদা টর্কিগী খা থংবা শরুক্কী প্রোভিন্স তরাদা য়ুহা অনীরক হাখিবদা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৪,০০০ গী মথক্তা শিখ্রবনি।

# রিলিফ মেটরিএল টন ২৩ পুবা তরেৎশুবা ওপরেসন দোষ্ট ফ্লাইট সিরিয়াদা থুংখ্রে

দমাস্কস, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী তরেৎশুবা ওপরেসন দোষ্ট ফ্লাইট টন ২৩ হেনবা রিলিফ মেটরিএলগা লোয়ননা য়ুহাগী চৈথেং নঙখ্রবা সিরিয়াদা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ৌখ্রে।

রিলিফ মেটরিএল ময়াম অদু দমাস্কস এয়রপোর্টতা দিপ্যুটি মিনিষ্টর ওফ লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসন এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মৌটাস দুৱাজিনা ওকখি। মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সকী স্পোক্সমেন অরিন্দম বাকচিনা ত্বিট অমদা হায়, তরেৎশুবা ওপরেসন দোষ্ট ফ্লাইট জিন্সেট, সোল্লর লেম্প, ইমর্জেন্সি অমসুং ক্রিটিকেল ক্যের হিদাক লাংথকশিংগা লোয়ননা দিজাষ্টর রিলিফকী পোৎলমশিং য়াওনা রিলিফ মেটরিএল টন ২৩ গা লোয়ননা সিরিয়া য়ৌখ্রে।

তরেৎশুবা ওপরেসন দোষ্ট ফ্লাইট অদু থাংজ নুমিত্তা সিরিয়া অমসুং টর্কি পাঙখিবনি। রিলিফ মেটরিএল, মেদিকেল এইদ, ইমর্জেন্সি অমসুং ক্রিটিকেল ক্যের মেদিসিনশিং, মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট অমদি তঙাই ফদবা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী সি ই ৭ এয়রক্রাফট অদু উত্তর প্রদেশকী গাজিয়াবাদতা লৈবা হিংদোন এয়র বেজতগী পাইখিবনি। রিলিফ মেটরিএলশিং অমদি ইমর্জেন্সিগী মরু ওইবা পোৎলমশিং পুরিবা আই এ এফকী এয়রক্রাফট অদু অহানবদা সিরিয়াদা থুংদুনা মেটরিএলশিং অনলোদ তৌরবা মতুংদা টর্কি তম্না অমুক পাইগদৌরিবনি। মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্স এস জয়সঙ্করনসু ত্বিটর হেন্দলগী খুথাংদা গাজিয়াবাদতগী রিলিফ মেটরিএলশিং ফুবা ফ্লাইট পাইখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়কৈদগীসু ত্বিট অমগী খুথাংদা আই এ এফকী সি-১৭ এয়রক্রাফট অমা রিলিফ মেটরিএল অমসুং ইমর্জেন্সি ইক্বিপমেন্ট পুদুনা হৌখিবা অহিংদা সিরিয়া অমসুং টর্কি পাঙখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

# য়ুএসনা অতোপ্পা অপায়বা পোৎশক অমসু কাপথখ্রে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
য়ুএসনা থাংজ নুমিত্তা মশক খঙদবা অতোপ্পা অপায়বা পোৎশক অমসু কাপথখ্রে। হন্দক্তি এয়রবোর্ন ইন্ট্রুদর অদু য়ুএস অমসুং কানাদাগী মিলিটরিশিংগী মরক্তা নীংথিনা কোওর্দিনেসন তৌনদুনা কানাদাগী নোংথক্তা কাপথখিবনি হায়রি।

থাংজ নুমিত্তা মশক খঙদবা অপায়বা ওবজেক্ট অদুবু কাপথরিবদু য়ুএসনা ফেব্রুৱারী ৪ দা চাইনিজ স্পাই বেলুন অমা কাপথখিবা মতুংদা অহুমশুবনি। অহানবগী চাইনিজ সর্ভিলেন্স বেলুন অদু অলাস্কা লানশিল্লগা চয়োল অমা চুপ্পা য়ুএস মেনলেন্দদা পাইশিল্লকখিবা মতুং জনুৱারী ২৮ দা কাপথখিবনি। মদুগী মতুং অতোপ্পা অপায়বা ওবজেক্ট অমা ইরাই নুমিত্তা অলাস্কাগী মথক্তা কাপথখি।

থাংজ নুমিত্তা কাপথখিবা ওবজেক্ট অদুগী হৌরকফম, মপু অমসুং মদুগী পান্দমগী মতাংদা য়ুএস অমসুং কানাদা অনীমক্না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

কানাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুএসকী প্রসিদেন্টগী মরক্তা ফোনদা ৱারী শানবদগী প্রসিদেন্ট বাইদেননা নোর্থ অমেরিকন এরো স্পেস দিফেন্স কম্মান্দ (এন ও আর এ দি) দা এসাইন তৌবা য়ুএস ফাইটর এয়রক্রাফটশিংবু কানাদাগা খুৎশম্নরগা নোর্দন কানাদাগী নোংথক্তা ৱাংনা পায়রিবা ওবজেক্ট অমা কাপথনবা ওথোরাইজ তৌখি হায়না থাংজ নুমিত্তা য়ুএস দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা ফোঙদোকখি।

এন ও আর এ দিনা ওবজেক্ট অদু ইরাই নুমিত্তা অলাস্কাগী নোংথক্তা দিটেক তৌখি। য়ুএসকী এফ-২২ ফাইটর জেট অনীনা ওবজেক্ট অদুবু মোনিটর তৌদুনা মদুবু করম্বা পোৎশক্নো হায়বদু খঙনবা হোৎনখি। মোনিটরিংগী থবক অদু ওবজেক্ট অদুনা কনাদিয়ন এয়র স্পেসতা পায়শিল্লকপা মতম ফাওবা চত্থখি।

য়ুএসকী জেটশিং অদুগী থবক্তুদা কানাদাগী সি এফ-১৮ অমসুং সি পি-১৪০ এয়রক্রাফটনা মতেং পাঙখি। য়ুএস এফ-২২ অমনা ওবজেক্ট অদুবু মমৈথংদা এ আই এম ৯ এক্স অমা শীজিন্নদুনা কানাদাগী টেরিটরিদা কাপথখিবনি। য়ুএস অমসুং কানাদাগী ওথোরিটিশিংগী মরক্তা নীংথিনা কোওর্দিনেসন তৌনদুনা মিশন অদু পাঙথোকখিবনি।

রিপোর্ট অসি ফাইল তৌবা ফাওবদা কানাদাগী মায়কৈদগী ষ্টেটমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

# সাউর্দন নাইজেরিয়াদা গনমেনশিংনা পুলিস পর্সনেল ৩ হাৎখ্রে

লাগোস, ফেব্রুৱারী ১২ (এজেন্সী):
নাইজেরিয়াগী খা থংবা ষ্টেট অনম্বরাদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা পুলিস ভেহিকল অমদা চত্থরকখিবা এটেক অমদা পুলিস পর্সনেল অহুম শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

অনম্বরা পুলিসকী স্পোক্স পার্সন টৌচুকউৱু ইকেনগানা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, য়ুমথংনরিবা দেল্টা ষ্টেটতগী লাকখিবা লৈখিদ্রবা পুলিস পর্সনেলশিং অদু অতোপ্পা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট অবিয়াদা মিশন অমগা মরী লৈননা অনম্বরাগী ইহেয়ালা লোকেল গভর্ণমেন্ট এরিয়াগী মনুং চনবা লম্বীদা চৎলিঙৈদা মশক খঙদবা গনমেনশিং অদুনা এটেক তৌখিবনি। ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা চত্থখিবা এটেক অদুগী মতুংদা গনমেনশিং অদুনা পুলিস ভেহিকল অদু মৈসু থাখি। খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুবু খোঙ্গুল লীবগী থবক কন্না চত্থরি হায়না ইকেনগানা মখা তাখি।